**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা অখাক অরাউ অমদি লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা চাউনা অমাং অতা থোক্লে।

২) ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইবশিংদগী ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং মণিপুরনা ঈ-চলান ককপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। চহি অসিগী ওইনা লুপা লাখ ৮৩ রোমগী ঈ-চলান ককখ্রে।

৩) মণিপুর পুলিসকা খুৎশমদুনা ভারত লান্মী অমদি অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতগী ঙরাং ফাওবদা পুন্না নোংমৈ ৯৯ লৌখৎলে।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কেস ১২ চত্থরবা তুংদা ড্রগ লল্লোনবা মীওই ২৯ কোর্টনা চৈরাক পীখ্রে।

অমসুং

৫) কছার পুলিসনা লুপা কোতি অমা লাখ ৫০ রোমগী মমল ওইগদবা ড্রগ ফারে।

------

নোনে (এল) ঃ হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা অখাক অরাউ অমদি লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা চাউনা অমাং অতা থোক্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইরগা নোনে জিলাদা মৈ ফংদ্রে। খুলগী ইরম নালাশিং লৈনাং তাশিনদুনা ফুমজিল্লে অমদি মীয়ামা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা থোক্লে। অমরোমদা, লোংজাং খুল অমদি নুঙবাগী মফমশিংদা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইরগা য়ুমথক্তা কুপ্পা তিনশিং অমাং অতা থোক্লে। মসিদসু নত্তনা লোংজাং খুলদা থাবা মহৈরো কয়াসু অমাং অতা থোক্লে।

লেন্দ (এল) ঃ হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুংদা লেন য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নোং য়াওনা শিৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎনা থৌবাল জিলাগী ৱাংখেম কেন্দগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক খোইরোম, কেক্রু অমসুং হৈত্রোইপোকপীদা লৈবা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখ্রে। লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা মফমশিংদা ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম.এল.এ অমদি এম.পি.সি.সিকী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা ঙসি কোইনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়- হৌখিবা অহিংদা শিৎখিবা লেন য়াওবা অকনবা নুংশিৎ অদুনা ৱাংখেম কেন্দ্রগী মফম অহুমদা য়ুম কৈ হুমদোকখিবা অমদি য়ুমথক কুপ্পা জিঙ্খশিং চাউনা অমাং অতা থোকখি। থৌদোক অদুদা অৱাবা নংলবা ইমুং মনুংশিংদা লৈঙাক্কী মাইকৈদগী কুপা থিগৎপীরগা পীবা য়াবা মতেং পীবীনবা মণিপুরগী রাজ্যপালগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ত্রাফিক (এল) ঃ ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইবশিংদগী ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং মণিপুরনা ঈ-চলান ককপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। চহি অসিগী ওইনা পুন্না কেস লিশিং ৫,২৮৪ লৌখৎখি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লাখ ৮২ লিশিং ৯৪,৫০০ কী ঈ-চলান ককখ্রে।

ত্রাফিক্কি কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পি প্রমেশ অরাম্বমনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না চহি অসিগী জনুৱারি থাদা পুন্না কেস লিশি ২,৫৩০ গী লুপা লাখ ৩৭ লিশিং ৯৩,৭০০ কী ঈ চলান ককখি। অদুগা ফেব্রুৱারি থাগী ওইনা পুন্না কেস লিশিং ২,৭৫৪ গী লুপা লাখ ৪৫ লুপা ৮০০ গী ঈ-চলান ককখি। হৌজিক

ফাওবদা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইদুনা গাড়ি থৌবশিংদগী ঈ চলান ককখিবা অসি লুপা লাখ ৮২ লিশিং ৯৪,৫০০ ওইরি।

নিংশিংবা য়াবদি- মমাং চহিগী ওইনা পুন্না কেস লিশিং ৪,৪৪০ গী লুপা লাখ ৪৯ লিশিং ৭৫,৬০০ গী ঈ চলান ককখি।

বিরেন (এল) ঃ হৈঙাং কেন্দ্রগী লুৱাংশংবম ফুটবোল গ্রাউন্দদা শেমগৎলিবা ষ্টেদিয়মদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি য়েংশিনখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- শেমগৎ শাগৎপা অসি লোইরবা মতুংদা ষ্টেদিয়ম অসিনা শান্নরোইশিংদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি। মসিনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।

ককচিং (এল) ঃ ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা কেন্দ্র অসিগী ইরেংবন গ্রাম পাঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈরিবা সৌরা মনিং লৈকাইদা এন.আর.ই.জি.এ স্কিমগী মখাদা নৌনা শেমজিন শাজিনবা লোইরবা ইরম নালাশিং অমসুং অতোপ্পা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এ রামেশ্বরনা হায়- মতম কুইনা শেন্বীদনা লৈরক্লবা মফমশিং অথুবা মতমদা শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থরি।

আর্মি (এল) ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা চৎনা কাংলোনগী ৱাংমদা পায়বা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা নুমিৎ ৭ অমগা মতম শাংদোকখ্রবা মতুংদা ভারত লান্মী অমদি অসাম রাইফলসনা হৌজিক রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী মণিপুর, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশকী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুর পুলিসকা খুৎশমদুনা ভারত লান্মী অমদি অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতগী ঙরাং ফাওবদা পুন্না নোংমৈ ৯৯

পীখৎহনখ্রে। মহাকা হায়- তমেংলোং জিলাগী ফাইতোলগী মফমশিংগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নরবা মতুংদা লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল রাইফল ১৭, ইমপ্রোভাইস মোর্তার ৯, গ্রেনেদ খরা অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা লানদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং লৌখৎপা ঙমলে।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী সাইকুলদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংগা খুৎশমদুনা মফম অসিদগী তুয়েল্ব বোর রাইফল ৭ অমদি ইমপ্রোভাই মোর্তার ১৫ লৌখৎপা ঙমখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাংদগী তুয়েল্ব বোর ভোল্ট এক্সন রাইফল ৫, লেথোত গন অমা অমদি ইমপ্রোভাইস মোর্তার ১১ লৌখৎখি। অদুগা তেংনৌপল অমদি কাংপোকপী জিলাদগীসু য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৌখৎপা ঙমখি। মদুগী মনুংদা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এস.এল.আর ১, থ্রি নোট থ্রি রইফল অমা, সিঙ্গল বোর বেরেল রাইফল ৪, পিষ্টোল অহুম, ইমপ্রোভাইস মোর্তার ৯, স্নাইপ্পর অমা, ইন্সাস রাইফল অনি, করবাইন মেছিনগন অমা, কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অমা, ফিফতিৱান এম.এম মোর্তার অমা, আই.ই.দি অহুম অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা লানদা শিজিন্নবা খুৎলায়শিং য়াওরি। ফগৎলবা খুৎলায়শিং অদু মণিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

দেসাম (এল) ঃ  বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা হৌজিক চথুরিবা ঐচ.এস.এল.সি পরিক্ষাগী সোসিয়েল সাইন্স থোকপা নুমিৎতা ক্বেসন লিক ওইহনবদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না দেসামনা হায়রি।

মহেরোই লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মমাং থাগী ১৫ দা পরিক্ষা হৌগদবা পুংখায় অমা ৱাৎলিঙৈদা সোসিয়েল সাইন্স সবজেক্টকী ক্বেসন লিক ওইরকখিবনি। মদুদা চেন্নরিবা স্কুল অমগী এ.ও.সি অমদি ভাইস প্রিন্সিপালবু মতম চানা ফাবগীদমক  মণিপুর পুলিস অমদি সাইবর ক্রাইম য়ুনিতপু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

লাইরিক (এল) ঃ  আর.কে. সনাহনবি চনুনা ইবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক-য়েলহৌমীনি ঐখোয় লাইরৈবাকসিগী ঙসি লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কলেজগী কনফরেন্স হোলদা ফোংখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর লেঙ্গুএজ এদভাইজরিকী কনভেনর প্রোফেসার রাজেন তোইজাম্বা অমদি অতৈ কয়ানা শরুক য়াখি।

ফেষ্টিবেল (এল) ঃ   নোইদাদা লৈবা এমিতি য়ুনিভর্সিতিদা হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদবা ৩৮ শুবা ইন্তর য়ুনিভর্সিতি য়ুথ ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মীহুৎশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। থা অসিগী ৮ ফাওবা চত্থগদবা ফেষ্টিভেল অসিদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ওইনা টিম মেনেজর অনি য়াওনা পুন্না মীওই ২৮ না শরুক য়াগনি। মখোয়না ইন্দিয়ান গ্রুপ সোং, ক্লাসিকেল ডান্স, স্কিপ, লাইভ ভোকেল, স্পোট পেন্টিং অমদি কোলাপসনচিংবা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াগনি।

কেম্প (এল) ঃ   সেনিয়র সিতিজনশিংগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা য়ুমাম খুনৌ অৱাং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট এসোসিয়েসন্না শিনবনি। মদুদা মীওই ১০০ রোম লায়েংখি।

সেন্সিতাইজেসন (এল) ঃ  মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা নুপী অমসুং অঙাংশিং ঙাক শেনবা হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন কৈশাম প্রদিপ কুমার, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী হান্নগী চেয়ারপার্সন প্রোফেসার বিনোতা মৈনম অমদি হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সেসন্স জজ- এ. নৌতুনেশ্বরি দেবীনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

ককচিং (এল) ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি (মসলসা)গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি থৌবাল অমদি লিগেল এইদ ক্লিনিক শুগনু অনিনা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেসকী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী তাংজেং খুঞ্জাউ কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা ৱা ঙাংখি।

সাহ ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কেস ১২ চথুরবা তুংদা ড্রগ লল্লোনবা মীওই ২৯ কোর্টনা চৈরাক পীখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী সাহনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিদা ডগ লল্লোনবশিংগী মথক্তা সরকারনা চৈরাকশিং ফংহল্লি। মসিনা নহাশিংবু নিশাগী ঈপাক্তগী কনবা ঙমগনি। ভারতপু ড্রগ শিজিন্নদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক্তা ঐখোয় পুন্না মখা তানা হোৎন্নবা ৱাশক লৌখি।

অসাম ঃ কছার পুলিসনা লুপা কোতি অমা লাখ ৫০ রোমগী মমল ওইগদবা ড্রগ ফারে। অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্দ বিশ্বা শর্ম্মনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- তোঙান তোঙানবা মফম অনিদগী থি হুন্বগী থবক চথুবদা হিরোইন গ্রাম ৩১০ কছার পুলিসনা ফাবা ঙমখিবনি। হায়রিবা ড্রগ অসি তোঙান তোঙানবা গাড়ি অনিদা হাপ্পুনা প্রকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, এস.ও.জি-দব্লিউ.জি.পি.দি অমদি গোরচুক পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু অমনা হিরোইন গ্রাম ৫৩ গা কোন্ননা মীওই ফাগৎখ্রে। ফারবা মীওই অনি অসি কতাবারিদগীনি। হিরোইন অসি সাপোন কেপ মঙাদা হাপ্পুনা পুরম্বনি। মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎখ্রে হায়রি।

কনভোকেসন ঃ ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল ওপন য়ুনিভরসিতি (ইগনৌ) গী ৩৮ শুবা কনভোকেসন ন্যু দিল্লি মৈদান ঘড়িদা লৈবা য়ুনিভরসিতি অসিগী হেদক্বাটর

(ইগনৌ) কেম্পেসকী কনভেন্সেল সেন্টরদা থা অসিগী মঙাদা পাঙথোক্লগনি।

কনভোকেসন অসিদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধান শরুক য়াগনি। কনভোকেসন অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ইগনৌ রিজনেল সেন্টর ৩৯ দসু পাঙথোক্কনি। থৌরমগী মনুং চন্না য়ুনিভরসিতিনা মহৈরোই লাখ অহুম লিশিং ১৩,৭৭০ দা দিগ্রী অমদি দিপ্লোমা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোক্কনি।

দিল্লিঃ লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং ওইনা দিল্লি সরকারনা থা অসিগী ৩১ দগী চহি ১৫ হেল্লবা গাড়িশিং পেট্রোল পম্পতা থাউ পীররোই হায়রি। দিল্লিগী ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি-মনজিন্দর সিংহনা ইয়ার পোলুসনগী মতাংদা ওফিসিএলশিংগা মীফম পাঙথোক্লবা তুংদা খোঙথাং অসি য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ ১৭ সুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সংঙ্গাই হেরোসনা কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এলিট এফ.এনা রহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখি।

হেন্দবোল (এল)ঃ কে.ভি.দব্লিউ.এনা সি.ৱাই.সি.এল. গ্রাউন্দ শিংজমৈ চিংঙামথক্তা চখুরিবা ৩৬ শুবা ষ্টেট লেবেল মিণি বোইজ এন্দ গার্লসকী নুপা অমনি নুপী অনিমক্কী চেম্পিয়ন ওইরে। ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেলদা কে.ভি.দব্লিউ.এনা কিউ.ৱাই.ওবু পাঞ্জল ৩৬-১৭ তা অদুগা নুপীগী ফাইনেলদনা কে.ভি.দব্লিউ.এনা কে.কে.এল.ৱাই.দি.ওবু পাঞ্জল ১৭-৯ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ঙসি শান্নগদবা অমসুং লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মেটচশিং নোং চীংগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা য়েথোক্লে হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

------